# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 21, 2019 PAGE 7



ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব আর্সনেলগী অনৌবা কোচ ওইখ্রবা স্পেন মচা মাইকেল অর্টেটা



ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না সিজন অসিগী লোইশিল্লকপদা পীবা খ্বাইদগী ফজবা নুপা শান্নরোইগী এৱার্দ ফংখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল

## মিরাবাই চনুনা কাটার ইন্টরনেসনেল কপ্তা গোল্ড মেডল লৌদুনা টোকিও ওলেম্পিক্স ক্বালিফাই ওইখ্রে

*দোহা, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) ঃ*



কাটারগী কোনুং দোহাদা চথরিবা ৬শুবা কাটার ইন্টরনেসনেল কপ ৱেঠলিফটিংদা মণিপুরগী নুপী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌদুনা কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

কাটার ইন্টরনেসনেল কপ ৱেঠলিফটিং অসি টোকিও ওলেম্পিক্সকী সিলভর লেবেল ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মশাগী চহী ২৪ শুরবী মণিপুরগী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা নুপীগী কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মিরাবাইনা স্নেচতা কেজি ৮৩ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১১ পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা গোল্ড মেডল লৌখিবদগী টোকিও ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

মিরাবাইনা ঙসি থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অদু থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অদুদগী হন্থখি। মহাক্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পুন্না কেজি ২০১ থাঙ্গৎখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিরাবাই চনুনা সিলভর মেডল ফংখি অদুগা চাইনাগী লিফটর জিয়াং হুইহুৱানা পুন্না কেজি ২১২ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বর ২৮ দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা য়ু এসকী সিটি অনাহেমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখিবগা লোয়নননা অহানবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নগী মীথোল ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সাইখোম মিরাবাই চনু মহাক্কী খ্বাংগী অনাবা লৈখিবদগী কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। খ্বাংগী অনাবা ফরবা মতুং পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ্তা শরুক য়াদুনা সাইখোম মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌখি। ই জি এ টি কপ অসি টোকিও ওলেম্পিক্সকী অহানবা ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমনি।

লিফটর অমনা টোকিও ওলেম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর থাদগী ২০২০গী এপ্রিল ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট ৬ তা শরুক য়াদুনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল অমমম ফংবগী মথৌ তারি।

কাটার ইন্টরনেসনেল কপ অসিগী নুপীগী কেজি ৪৯ গী কেটেগোরি অসিদা ফ্রান্সকী লিফটর অনীনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। অনেজ মাইকেলনা পুন্না কেজি ১৭২ দা সিলভর মেডল লৌরগা টিমমেট মানোন লোরেন্টজনা পুন্না কেজি ১৬৫ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## ‘ইন্দিয়াগী শান্নবগী থাক সাফ গেমসতা চেম্পিয়ন, ওলেম্পিক্তা জেরো–গুম্বা’

এসিয়া মহাদেশকী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা লৈবাক তরেৎ নেপাল, বাংলাদেশ, শ্রী লঙ্কা, ভুটান, মালদিপ্স, পাকিস্টান অমসুং ইন্দিয়ানা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মরুপ মপাং ওইবগী লিপুন অসি হেন্না নুংশি চান্নবা চেৎশিন্নবা ওইবা পান্দমদা ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লিদা 26th Nov. 1981 দা সাউথ এসিয়ান ফেদরেসন (সাফ) গেমস ইষ্টাব্লিষ্ট তৌখি। ইষ্টাব্লিষ্ট তৌরবা মতুংদা হায়রিবা গেমস অসি চহী অনী অনী লৈরগা মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অমা পাঙথোক্লবগীদমক 1983 সাউথ এসিয়ান ওলেম্পিক কাউন্সিলগী গভরনিং বোদিনা 1984 দগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখি। অহানবা পাঙথোক্লবগী খুদোংচাবা নেপাল লৈবাক্না ফংখি। অহানবা হৌদোকপা মতমদা মেম্বর তরেৎ খক্তা ওইরম্বা হৌজিক্তি আফগানিষ্টান য়াওরগা নিপাল শুরে। লৈবাক মশীং য়ামদ্রবসু হৈরবসু হৈত্রবসু শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংনা মানা মানা ঙমজবা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা ফজরবা শান্নবগী মচৎনি। স্পোর্টসনি, নুংঙাইরবা হরাও কুম্মে অমনি অয়েংবশিংগী মফমদা / স্পোর্টসনি, কম্পিটিসন্নি শান্নরোইশিংগী ওইবা, তান্নবনি অথোই অহেন কনানা মেডল লৌবা ঙম্বগে হায়বা। ফাওরিবনি শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংগী ৱাখলদা নুংঙাইবা, চাওথোকচরিবনি থম্মোইনা মকোক মথং তাদুনা মনা ফংবগী পারফোমেন্স অমদা, শরুক য়াগে হেন্না চাওবা এসিয়া অপুম্বগী এসিয়ান গেমস অমদা। মসিনি শান্নরোইশিংগী ওইবা পূক্নিং ৱাখলদা মথং মথং অসুম অসুম হেনগৎনবা হোৎনবা, মঙলান্নি স্পোর্টসকী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মে ওলেম্পিক গেমস শরুক য়াবা লোয়নননা মেডল লৌবা ঙম্বা হায়বসিমসু।

হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান ফেদরেসন (সাফ) গেমস 2019 নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা দসরথ ষ্টেদিয়মদা 1st Dec-10th Dec. 2019 অহৌবা অমসুং নুপাগী ফুটবোল ফাইনেল মেটচ শান্নবা লোয়নননা লোইশিনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। হৌবদগী হৌনা মেডল য়াম্না য়াম্না ফংদুনা মকোক তাদুনা লাকখ্রবা ইন্দিয়ানা হন্দক ১৩শুবা অসিদসু সনাগী মেডল 174, লুপাগী মেডল 93 অমসুং শেনজেংগী 45 পুন্না মেডল 312 ফংদুনা মকোক অদুমক তাখি। এসিয়াগী খা থংবদা লৈবা লৈবাকশিংগীদা ওইবা স্পোর্টস গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা মকোক ওইবা হায়বসি ইন্দিয়া চাওথোকচনিংঙাইনি লোয়নননা ইন্দিয়ান শান্নরোইশিংগী হোৎনজমনগী মহৈনি। শান্নরোইশিংগীদি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা শকখঙলবা স্পোর্টস গেমস অমদা অহানবা ওইনা মীমাঙ থোকপনি অমদি মনা লৌবা ঙন্নিবনি। শান্নরোইশিংগীদা নৎতনা পূম্নমক্কী হরাও তয়াম্বা নুংঙাইবা চাওথোকচবা মতাং স্বাইদা সাফ গেমস চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বগী শান্নবগী ষ্টেন্দর্দ অসিমদি কদাই ফাওবা য়ৌরবগে হায়বসিসু খন্থবা অমদি খঙমিন্নবা মথৌ তারি। সাফ গেমস অসিদা মণিপুরী শান্নরোই কয়া অমসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবা অমদি মেডল লৌরকপসু য়াওরিবনি। খা থংবা এসিয়াগী শরুক্তা লৈবা লৈবাক ৭ / ৮ অসিদদি মশান্না কয়া অমদি ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌদুনা চৎলি হায়বসিমদি চুম্লে অদুবু এসিয়ান লৈবাক অপুম্বগী ওইনা পাঙথোকপা মল্টি স্পোর্টস গেমস 18th Asian Games Jakarta Palembang 2018 ইন্দিয়াগী 570 কম্পিটিটর্সনা 36 স্পোর্টসতা শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নবদা সনাগী মেডল 16, লুপাগী 23 অমসুং শেনজেংগী 31 পুন্না মেডল 70 ফংদুনা ইনিদয়া 8শুবা রেঙ্কতা লৈখি। চীনাগা য়েংনরুবা তারবদি য়াম্না লাপনখ্রে,

**এল. কালা উরিপোক**

ইন্দিয়ানা করম্বা মতমদা তানবা ফংগদবনো খঙদে। এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়ানা ৮শুবদা লৈবা হায়বসি এসিয়াগী লৈবাক খর অমনসু ইন্দিয়াদগী হেন্না লৈরি তাকপনি শান্নবগী মতাংসিমদি। এসিয়া মহাদেশতা দোমিনেট তৌই হায়বখক্ত নৎতে চীনাদি, চীনানা ফঠলিবা শান্নরোইশিং অসিগী ষ্টেন্দর্দ অতোপ্পা শান্নরোইশিংবুসু অদুক মায়থিবা পীবা ঙম্বগী ষ্টেন্দর্দনি। ২০১৬ সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা চীনানা মেডল টেল্লিদা অহুমশুবা রেঙ্কতালৈবা মতমদা ইন্দিয়া শুপ্পগী সিলভর মেডল অমা অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংদুনা মেডল অনীখক ফংলগা ৬৭শুবা রেঙ্কতা তাখি। তশেংবমক শান্নবগী মতাং অসি ইনিদয়ানা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু ৱার্ল্ড ক্লাসকী থাক অমদি ওলেম্পিক গেমসকী থাক অসিদা য়েংলুরবদি ইন্দিয়াদি পুম্নমক্তা জেরোদা লৈরি হায়বদুনি। ২০২০ সম্মর ওলেম্পিক গেমস য়াম্না নকশিল্লক্লে, পাঙথোক্কদবা ষ্টেদিয়ম শাবা লোইদুনা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। য়েংবা তারি ইন্দিয়া মেডল কয়াম ফংবা ঙম্বগে হায়বদু।

## চেন্নাইন এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে



*চেন্নাই, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিং মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) কী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইরিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৪শুবা মিনিটতা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্দ্রি স্কেম্বীনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

গোল শোখরিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক চথদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ১৫শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা বার্থোলোম্যু ওগবেচেনা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

গোল মান্নরবা মতুং টিম অনীমক অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩০শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই লাল্লিয়ানজুৱালা ছাংটেনা গোল অমা হাপচিনবা ঙমদুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা চেন্নাইন এফ সিনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। মেটচকী ৪০শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই নেরিজুস ভালস্কীসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অসি চেন্নাইন এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই ইলি সাবিয়া মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা হায়দরবাদ এফ সি অমদি এ টি কে থেংনরগনি।

## বার্টি অমসুং নদালনা আই টি এফকী এৱার্দশিং ফংখ্রে

*পেরিস, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্টরনেসেনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না সিজন অসিগী লোইশিল্লকপদা পীবা মশান্না অসিগী খ্বাইদগী ফজবা নুপী অমসুং নুপাগী এৱার্দশিং ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা ফংখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং স্পেনগী রাফেল নদাল নুপী অমসুং নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈবা ঙন্নি।

এসলি বার্টিনা সিজন অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকী ট্রোফি লৌবা ঙমখি। মহাক্না লুচিংদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু কুমজা ১৯৯৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ফেদ কপ ফাইনেলদা শরুক য়াবা ঙমহনখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী ওষ্ট্রেলিয়াগী টেন্নিস ষ্টার অসি কুমজা ২০১৪ দা মশান্না অসিদগী মতম খরা পোত্থারুরবা মতুং কুমজা ২০১৬ তা অমুক হন্না শরুক য়ারকখিবনি। মহাক অহানবা ওষ্ট্রেলিয়ান মচা অমা ওইনা কুমজা ১৯৭৩ গী মতুংদা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা সিজন অসিদা ফ্রেন্স ওপন অমসুং য়ু এস ওপনগী টাইটলশিং লৌবা ঙমখি। মহাক্না লুচিংদুনা স্পেনবু ৬শুবা দেবিস কপকী টাইটলসু লৌহনবা ঙমখি।

## ‘নুপীগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ চহী ২ খুদিংগী পাঙথোক্লবা হোৎনরি’

*পেরিস, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) ঃ*

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি অমা ওইরিবা ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) নুপীগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ চহী ২ খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি হায়না বোদি অসি অসিগী প্রসিদেন্ট জিয়ান্নী ইনফান্টিনোনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক চহী ৪ খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ইদিসন্দা চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবদা য়ু এস এগী নুপী ফুটবোল টিম্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ফিফা ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপ চহী অসিদা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখি। ফ্রেঞ্চ ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট নোইল লে গ্রেটনা মহাক্কী মত ফোঙদোকখিবদা কম্পিটিসন অসি চহী ৪ খুদিংগী পাঙথোকপদগীদি চহী ২ খুদিংগী পাঙথোকপনা হেন্না ফগনি হায়খি।

কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱুমেন’স ৱার্ল্ড অসিগী য়ুম্বু ওইনবগীদমক ব্রাজিল, কলম্বীয়া অমসুং জপান লম্বা তৌনরি। ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দসু পুন্না য়ুম্বু ওইবগী বিদ্দিং তৌরক্লে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৭৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | I | M | E | | H | A | R | S | H | | L | A | S | S |
| I | D | O | L | | A | L | O | H | A | | E | L | L | E |
| N | E | I | L | | R | E | V | E | L | A | T | I | O | N |
| G | A | S | | H | E | R | E | | O | C | T | E | T | S |
| | | T | R | U | S | T | | | | T | E | N | S | E |
| S | H | E | E | N | | | S | E | W | E | R | | | |
| P | I | N | A | T | A | | H | E | A | D | | C | B | S |
| E | V | E | R | | L | E | E | R | Y | | C | L | A | P |
| W | E | D | | R | A | G | E | | S | A | H | A | R | A |
| | | | A | E | S | O | P | | | R | I | S | E | S |
| S | C | A | L | P | | | | E | P | I | C | S | | |
| P | A | S | T | O | R | | A | M | I | D | | R | A | T |
| I | M | P | A | T | I | E | N | C | E | | N | O | N | E |
| N | E | E | R | | O | U | T | E | R | | B | O | N | E |
| E | O | N | S | | T | R | E | E | S | | A | M | E | N |

## ৱাদাগী দোপিং রিপোর্টতা ইন্দিয়া ৭শুবদা লৈরি

*মোন্ট্রিয়েল, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) ঃ*

ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না কুমজা ২০১৭ দা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথখিবা দোপিং ভাইওলেসন্স রিপোর্টতা ইন্দিয়া ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ৱাদাগী চহীগী ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬ দা মালেমগী ওইনা এঠলেট ১,৫৯৫ দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখি অদুগা কুমজা ২০১৭ দা এঠলেট ১,৮০৪ দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখি। চহী অমগী মনুংদা ১৩% হেনগৎলক্লি হায়না ৱাদাগী রিপোর্ট অসিদা পল্লি।

দোপিং কেসকী রিপোর্ট অসিদা ইটালিনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ১৭১ দা লৈরি। ফ্রান্সনা ১২৮, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ১০৩, ব্রাজিলনা ৮৪ অমসুং রুশিয়ানা ৮২ দা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, ৱাদানা থা অসিগী ১০ দা দোপিং ভাইওলেসনগা মরী লৈননা রুশিয়াবু মেজর গ্লোবেল স্পোর্টস ইভেন্টশিং চহী ৪ শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবনি। রুশিয়াগী এঠলেটশিং ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমস, ২০১৭ লন্দন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ২০১৮ ৱিন্টর ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবদা ৱাদানা অথিবা পীখিবনি। অদুবু রুশিয়াগী এঠলেটশিং ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবনি।

চাইনা, ইন্দিয়া, বেলজিয়ম, স্পেন অমসুং সাউথ অফ্রিকা দোপিং ভাইওলেসনগী লিষ্টতা টোপ টেনগী মনুংদা লৈরি।

## এফ সি কগালুং ন্যু আলিপুরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

*জিরিবাম, দিসেম্বর ২০ (এস এন এস) ঃ*



ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ১৭শুবা টি ঐচ রাধামনি নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ৱিন্নর এফ সি কগালুং ন্যু আলিপুরনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ সি কগালুংনা পি এফ সি ফাইটোলবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এফ সি কগালুং ন্যু আলিপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ জয়সন গাংমৈনা মিনিট ৫১ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ জোসেফ অমোনা মিনিট ৫৮ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা পি এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৫ খুপোলনা মিনিট ৪৩ দা চনখি।

লীগ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা জিরিবামগী এস পি এম অমুবী, এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত, এদিস্নেল এস পি ওস্স জিরিবাম এ কে সদানন্দ অমদি লীগকী দোন্নর টি ঐচ জয়কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
--------

CIRCULAR
Imphal, the 18th December, 2019

No. BVSc/TRG/2019-Vety. :- In pursuance of the Government letter No. 9/3/2006 –Vety (Pt. II) dt. 17th December, 2019, it is hereby informed to all the intending candidates that the Selection for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course at different Colleges of India for the academic session, 2020 - 21 as State Nominee will be done from amongst the candidates appeared in the NEET (UG) - 2020 scheduled to be held on 3rd May, 2020 which is to be conducted by the National Testing Agency (NTA) based on merit.

Sd/-
(H. Chaoba Singh)
Director,
Vety. & A.H. Services, Manipur.

SL/5629/20 & 21

INSTITUTE OF COOPERATIVE MANAGEMENT, IMPHAL
Cooperative Complex, Lamphelpat, Imphal, Manipur
Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, Government of India

ADMISSION OPEN

CERTIFICATE COURSE ON COMPUTER APPLICATION

W.E.F.
(A) 27rd December 2019 to 26nd June 2020
Timing: 07:30 A.M to 09:30 A.M

(B) 27rd December 2019 to 26nd June 2020
Timing: 09:30 A.M to 11:30 A.M

Duration : 26 Weeks
INTAKE CAPACITY: 30 each

(C) 2- MONTHS CERTIFICATE COURSE ON ACCOUNTING, PAYROLL, TAX ACCOUNTING & INVENTORY CONTROL USING TALLY ERP 9 WITH GST
W.E.F. 27RD DEC. 2019 TO 26ND FEBRUARY 2020

DURATION : 2 MONTHS
INTAKE CAPACITY : 30
TIMING : 2.00 P.M. TO 4. OO P.M

*Form available during office hours in any working days.

Email : icmimphal2013@rediffmail.com
www.icmimphal.org
Contact No.:
03852414526

Sd/-
(Dr. N. Ranjana Devi)
Director
ICM, IMPHAL

SL/5619/21

SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec. + 15 Days